অথেংবা অহিংগী কু দা কংগ্রেস এম এল এ ১৭ কী মনুংদা ১২ ত্রিনামুলদা য়াওখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৫ ঃ

মমাংদা মেঘলয়াগী চিফ মিনিষ্টর ওইরম্বা মুকুল শংমানা ষ্টেট অদুগী কংগ্রেস এম এল এ ১৭ কী মনুংদা ১২ গা লোয়ননা ত্রিনামুল কংগ্রেসতা য়াওখ্রে। মদু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী রুলিং পার্টি অদুনা অৱাং নোংপোক ষ্টেট অদুদা চত্থখিবা অচৌবা কু অমনি হায়না লৌনরিবনি।

মেঘলয়াগী এম এল এশিং অদুনা স্পিকর মেতাবাহ লিন্দোংদা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবা মতমদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা মখোয়গী ফিরেপ হোংলে হায়বদু খঙহনখি হায়রি। ষ্টেট অদুদা মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী ওইনদি লাক্লিবা অহোংবা অদু অচৌবা খোঙথাং অমনি হায়না অখণ্ড অহৈশিংনা মত পিনরি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কংগ্রেসকী লুচিংবা কৃতি অজাদ অমসু অশোক তনৱরনা মমাংদা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) কী লুচিংবা ওইরম্বা পাৱন বর্ম্মাগা লোয়ননা দিল্লিদা ত্রিনামুল কংগ্রেসতা য়াওখি। মখোয়না ত্রিনামুলদা চংখিবগী মতাংদা পার্টি লুচিংবী মমতা বেনর্জিসু নেসনেল কেপিটেলদা লৈরি। পুং খরগী মমাংদা মমতা বেনর্জিনা হায়খিবদি অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংনা ত্রিনামুল কংগ্রেসতা য়াওদুনা বি জে পিগী মায়োক্তা লান তৌবা মতমদা মহাক্না তরাম্না ওকই হায়খি।

হৌখিবা থা খরগী মনুং অসিদা ত্রিনামুল কংগ্রেসনা ষ্টেট কয়াদা মখোয়গী মশা মরেং শন্দোরক্তুনা লাকপগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌনা খোঙদাফম থিরকখিবসি মেঘলয়ানি। অসাম, গোৱা, উত্তর প্রদেশ, বিহার অমসুং হরিয়ানাদা কংগ্রেসনা খুদুম চনশিন্দুনা লৈরম্বা মফমশিং মখোয়না লৌশিনবা ঙমখি।

কংগ্রেস লুচিংবা সোনিয়া গান্ধীগা মরুপ মপাং ওইবগী মরি অমা লৈনৈ হায়না লৌনরিবা মমতা বেনর্জিগা মখোয় অনি উন্নরকখিদবসি মতম কুইরে। মদুগী মরমদা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম ওইনা বেনর্জিনা খুমখিবদি মখোয়দি পঞ্জাব মীখলগী য়াম্নমক মথৌ চিল্লি। করিগীদমক্তা সোনিয়াবু উন্নবা মরম লৈবগে হায়খি। ত্রিনামুল কংগ্রেসনা ত্রিপুরা অমসুং গোৱাদা মখোয়গী মফম থিরকপসি ষ্টেটশিং অদুদা পাংথোক্কদবা এসেমব্লি মীখলগী য়েংলগনি।

নুমিৎ হুমনি চত্থগদবা মনিপুরী জগোই অমসুং ম্যুজিক্কী ফেষ্টিবেল ঙসিসু চত্থরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ

নুমিৎ হুমনিগী ওইবা মনিপুরী দান্স এন্দ ম্যুজিক ফেষ্টিবেলগী নিনি চনবা নুমিত্তা হ্যুমেন পুং কাংলুপনা অষ্টাকাল শৈশক লাম্হোকখি।

মনিপুরগী গভর্নর লা গনেসন্না ঙরাং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নম্বোলগী মাইবম লোৎপা চীংগী ইন্দিয়া পিছ মেমোরিয়েলদা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা মনিপুরী দান্স এন্দ ম্যুজিক ফেষ্টিবেল হৌদোকখি।

হায়রিবা ফেষ্টিবেল অদু জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্দ একাদেমীনা রাজর্ষি ভগ্যাচন্দ্রগী ২২৩ লক শুবা লৈখিদবা কুমওনগা মরি লৈননা অজাদিকা অমৃত মহোৎসবকী শরুক অমা ওইনা শিনবনি। ইন্দিয়ানা মনিং মখা তন্নকপা চহি ৭৫ শুরকপগী থৌরমগা মরি লৈননা শিল্লিবা ফেষ্টিবেল অদু হৌদোকপদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা গভর্নর লা গনেসন্না হায়খিবদা দান্স অমসুং ম্যুজিক হায়বসি ফিজিকেল বোদিশিংগী লেং ওৎপগী মওং য়াওবা আর্ট মখল অমনি। মসিদা মোসন ফোম অনিমক পুথোকপা ঙম্মি। জে এন মনিপুর দান্স একাদেমীনা লেপ্পা লৈতনা লৈবাক অসিগী পার্ফোমিং আর্টকী লমদা মরু ওইনা ষ্টেট অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা নাৎ চৎনবিগা মরি লৈনবা ম্যুজিক, দান্স অমসুং দ্রামাগী লিক্লম অদু ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনরকখি।

একাদেমী অসি সঙ্গিট নাটক একাদেমীগী য়ুনিট অমা ওইনা ১৯৫৪ দা লিংখৎখিবনি। গভর্নরনা জপানিজ ৱার মেমোরিয়েলগুম্বা শেংলবা মফম অমদা মদুগুম্বা ফেষ্টিবেল অমা শিনবগীদমকসু একাদেমীবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

মতমগী অহোংবা কয়া লাক্লবসু মনিপুরী জগোইগী মচৎতি দিবোস্লেল ওইবা মরমনা মনিপুরগী ইনাক খুল্লবা নাৎ চৎনবীগী লিক্লম অসি লৈবাক অসিদা নত্তনা মপানগী লৈবাকশিংবুসু মশক খঙনরি। ষ্টেট অসিগী আর্টিস কয়ানা লৈবাক অসিগী মনুং অমসুং মপান্দা ছো লিশিং কয়া উৎখ্রে। অমদি লৈবাক কয়ানসু মনিপুরী আর্টিষ্টশিংবু মশক খঙলি। হন্দক্কী অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল শিনবনা মনিপুরী দান্স অমসুং ম্যুজিকপু হেন্না পোপ্যুলর ওইহনবদা মতেং পাংগনি হায়বা ৱাফম থমখি।

লোইশিনবা নুমিত্তসু ধুমেন পুং কাংবুনা মখা তাবা পার্ফোমেন্স উৎকনি।

চাইনা–টাইৱান ৱাথোক্না ইথৎ লৈবাক অসিদা ইরাং থোক্লে

হোনৈরা, নবেম্বর ২৫ ঃ

চাইনা অমসুং টাইৱানগী মরক্তা থোক্লিবা ৱাথোকশিংগী ৱাহৌদগী সোলোমোন ইথৎতা খোইশাওনরবা মীওই কাংবুশিংনা বিল্ডিংশিং মৈ থাবা অমদি চাইনিজশিংনা চত্থবা লল্লোন ইতিক্কী থৌরমদা অকাইবা ওইরে।

থোক্লিবা ইরাং অদুগী মরুদি থবক ফংদবা নহাশিং, এন্টি–কোরোনা ভাইরস কন্ট্রোল তৌবগী অশাওবা, ইথৎশিংগী মরক্তা মমাংঙৈদগী য়েংথিনরকপা টাইৱান অমসুং চাইনাগী দিপ্লোমেটিক ওইবা রিকগনেসন্না ওইরি। চয়োল অসিগী মনুংদা থোক্লকখিবা পোলিটিকেলগী ওইবা ইরাংদা চাইনা–টাইৱান অনিগী মরক্তা পাল্লিবা গভর্নমেন্টনা লৈবাক অদুদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা শেন্থং পীথবা ৱাৎপা অমদি হান্নগী মপাং ওইরম্বা টাইৱানবু থাদোক্তুনা চাইনাগা নকশিন্নবা পাম্বগী ৱারেপ্পু য়ানিংদবা ফোংদোকপশিং য়াওরি।

ইথৎ লৈবাক অদুদা লৈবা য়েলহৌমী চাইনিজশিংনা চত্থবা লল্লোন ইতিক্কী থৌরমদা অকাইবা পীদুনা লুট তৌবা, মৈ থাবগী থৌদোক কয়া ইথৎ লৈবাক অদুগী কোনুংদা থোরক্লি।

লৈবাক অদুগী লল্লোন ইতিক মরু ওইনা তৌরিবশিং টাইৱান, চাইনা, মালেসিয়া অমসুং ফিলিপিন্সতগী লাকপনা অয়াম্বনি।

হিয়ারিং এইদ য়েন্থোকখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ

অহল ওইরকপগা তাবা ঙম্বগী পাঙ্গল ৱাৎপা হায়বসি য়াম্না নুংঙাইতবা অমনি। অহল ওইরবশিংনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা–তাবা ঙম্বগী পাঙ্গল ৱাৎপা কোক্নবা পোবর্টি দিভলপমেন্টনা শৌগৎতুনা আলি য়াভর জং নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ হিয়ারিং দিসএবিলিটিজগা খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা হিয়ারিং এইদ ফিটমেন্ট / দিষ্ট্রিব্যুসন কেম্প অমা পাংথোকখ্রে।

মদুগুম্বা থৌরম অমা পাংথোকপসি পুক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি হায়না মনিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোংদোকখ্রে।

কেম্প অদু ঙসি শিংজমৈ কেন্দ্রগী মনুং চনবা শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইদা পাংথোকখিবনি। কেম্প অদুক স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দগী মীৎয়েং মখাদা পাংথোকপনি। কোবিদ লায়চৎকী অৱা চৈথেং মরক্তা অমুক তাবা ঙম্বগী শক্তি ৱাৎলবশিংনা খুদোংচাদবা কয়ামুক মায়োক্নরি। খুদোংচাদবশিং অমদি অৱাবা কয়া কোক্নবা হোৎনবসি তাইবং মপুগী সেবা তৌবা গুম্বনি হায়রি। হিয়ারিং এইদ অমগী মমল লুপা ১৬ নি হায়রি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না পীদুনা তাবা ঙম্বগী পাঙ্গল ৱাৎলবশিংদা লেম্না পিবনি। হিয়ারিং এইদ ২৫০ য়েন্থোক্নবা থৌরাং তৌখি হায়রি।

মৈহেরোয়শিংগী এৱার্নেস পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ

ৱান ষ্টোপ সেন্টর ককচিংনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী মখাদা মিনিষ্ট্রি ওফ ৱুমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টকী লমজিং মখাদা ‘ইন্টরনেসনেল দে ফোর দ ইলিমিনেসন ওফ ভাইওলেন্স এগেন্টস ৱুমেন’ গা মরি লৈননা নোংমগী ওইবা মৈহেরোয়শিংগী এৱার্নেস অমা পাংথোকখ্রে।

হায়রিবা এৱার্নেস অদু ঙসি ককচিংদা লৈবা মার্তিন গ্রামার স্কুলদা চত্থখিবনি। থৌরমদুদা এদভোকেট ক্ষেত্রিময়ুম সরনকুমারীনা ‘নুপীশিংগী মথক্তা চত্থবা হিংশা অমসুং মীওৎ মীনৈ মুত্থৎপা’ হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি।

মহাক্না হায়খিবদা খুনাই অসিদা মরু ওইনা ইনখৎলক্লিবা মৈহেরোয়শিংনা লোনা পিরিবা কান্নবশিং খঙমিন্নবা তঙাইফদে। মীপুম খুদিংমক্না লোনা পিরিবা কান্নবশিং খঙজিনবা চুমগনি। মীওৎ মীনৈ চত্থবদগী কন্নবা অমসুং তেংবাং লৌনবা ১০৯৮ দা কো তৌবিয়ু হায়না ফোংদোকখি।

মার্টিন গ্রামার স্কুল ককচিংগী হেদমাষ্টর মোইরাংথেম মনিহারনা থৌরম মপু ওইনা পাংথোকপা এৱার্নেসতা এদভোকেট জেমস নাওরেমনা ‘নুপা নুপী খাইদোক্তুনা হিংশা চত্থবা অমসুং মসিনা খুনাইদা পীরিবা শাফু’ হায়বা হিরমদা অখণ্ড অহৈ ওইনা ৱা ঙাংখি। থৌরম লোইশিল্লকপদা মৈহেরোয়শিংনা ৱাহং পাউহং তৌখি।

রেসিদেন্ট খক্তনা সিভিল সার্ভিস এগজাম থাবা য়াগনি

গুৱাহাতি, নবেম্বর ২৫ ঃ

অসামগী বি জে পি গভর্নমেন্টনা ৱারেপ লৌখিবদা ষ্টেট অদুদা লৈবা মীওই খক্তনা অসাম পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (এ পি এস সি) অমসুং অসাম সিভিল সার্ভিস (এস সি এস) কী এগজামশিংদা য়াওবা য়াগনি হায়না লেপখি।

অসাম কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ অদু চিফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মনা চিয়ার লৌদুনা পাংথোকখিবা মীফমদনি। কেবিনেট মীফম মতুংদা সি এমনা ফোংদোকখিবদি অহানবদা হায়রিবা এগজামশিং অসি থাবা কেন্দিদেটশিংনা অসামি লোল শোইদনমক খঙবা ওইগদবনি। অদুবু মদুনা ইংলিস মেদিয়মদা তম্বা মৈহেরোয়শিংদা চম্নবা খরা থোকহনখি। মরম অদুনা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা চাংয়েংগীদমক লেঙ্গুয়েজ পেপর লৌথোক্নবা ৱারেপ লৌখি। অদুমকপু কেন্দিদেটশিংনা অসামিস নত্রগা ষ্টেট অদুদা মশক খঙলবা লোল বোরো য়াওনা খঙবা ওইগদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তাখিবদা য়ুথ কম্মিসন অমা লিংদনা নহাশিংনা হায়র এদুকেসন চত্থনবা ত্রেনিং পিগনি অমদি থবক চংবগী খুদোংচাবশিং খঙনবগীদমক হোৎনগনি হায়খি। কেবিনেটনা গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়িশিংদা জনুৱারী ৬ অমসুং ৭ তা অহেনবা ছুটি পীনবা ৱারেপসু লৌখি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ

HEINGANG INDANE SERVICE
Bk/ Upto: **25/11/21** V/f **16/11/21**
(8.00 a.m. to 11.00 a.m.)
(Delivery @ Rs 725 + Home delivery) (7.00 a.m. to 11.00 a.m.)
Drop in Box & Home Delivery No. **9089177227 & 9366597565**
Booking No. **9089161416**

KHORIPHABA GAS, Nambol (Home delivery 0nly)
Bk/ Upto: **uptodate**
Home delivery Contact No. **9366471778, 8837349474, 8787632782**
For Enquiry 9612337528 (8.00 a.m. to 12 Noon)

R & H INDANE
Stk : 306
Bk: **21/10/21** V/f **11/10/21** (8 a.m. to 12 noon)
(Home Delivery on 2 January) OFFICE NO. 9366013547, 8414824977, 8413936705 & **8132036940**

TDK GAS, Sekmai (Home delivery 0nly)
Bk/ Upto: **27/9/21** V/f **20/9/21**
Contact no. **6909614353, 8731992324**

HRANGCHAL GAS, Old Lambulane
Bk: **5/11/21** V/f **4/11/21**(7.30 a.m. to 11 a.m.)
Booking and Enquiry No. : **0385-244677**, 9436280866

MANIPUR GAS, Sangakpham (Home Delivery Only)
Bk: **12/11/21** V/f **19/10/21** (8.00 a.m. to 12 noon)
9863385995
Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam
8787857518
Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road.
7424085506
Kongpal, Top, Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland,
8414886475
Namdunlong, Khayathong, Nagamapal & Uripok Road, Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon
9366468676, 7005318689
Wangkei, Kongba, Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibkam Leikai, Wangkhei Khunou
7005439154
Chingmeirong, Thangal and Paona Bazar, Sagolband, Keisampat, Khagempalli, Kwakeithel
8131832195
Singjamei A/C.
8730954041 Complain and enquiry Number.

IMPHAL LPG SERVICE
Bk: **12/11/21** **(ujjawala connection available)**
(Late arrival of Stock at 10 am date 3-8-21 Imphal LPG service Home delivery only.) Update Gas card with Fresh Photo cont. Office no. 6009392991
Enquiry No. : **6009392991, 9362654114,3853560556**
Enquiry time 8.30 a.m. to 12.30 p.m.

অসাম বোর্দর মনুংদা লম্বী শেন্নম্বা লেপখ্রে

হাইলাকান্দি, নবেম্বর ২৫ ঃ

মিজোরামগী কোলাসিব দিষ্ট্রিক্ট লৈঙাক্না অসাম–মিজোরাম বোর্দরদা লৈবা হাতিচেরা এরিয়াদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক খুদিংমক লেপ্নবা য়ান্নখ্রে হায়রি।

হাইলাকান্দি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস গৌরব উপধ্যায়না ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা কাটালিচেরা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা হাতিচেরাদা নৌনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক অমা চত্থরকখিবদু অসামগী ঙমখৈ মনুংদা মিজোরামনা লম্বী শেমজিল্লকপনি। মদুদা হাইলাকান্দি লৈঙাক্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মিজোরামদা লম্বী শেম্বা লেপ্নবা হায়খিবনি হায়রি।

অনৌবা কেস ৯২৮৩ থেংনরে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৫ ঃ

খ্বাইদগী নৌনা পীরকপা ওফিসিয়েল অপদেটকী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা ইন্দিয়াদা কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা কেস ৯২৮৩ থেংনদুনা লায়না অদুগা মরি লৈননা মীওই ৪৩৭ শিখ্রে হায়রি।

হৌজিক হৌজিক লৈরিবা এক্টিব কেসকী মশিং ১,১১,৪৮১ ওইদুনা অপুনবা মশিংগী চাদ ১ গী চাংদা লৈরি। মসি ২০২০ গী মার্চতগী পারগা খ্বাইদগী নেম্বা চাংনি। হৌজিক ওইরিবা রিকোভরিগী চাংসি ৯৮.৩৩ নি। অমরোমদা কোভাক্সিনগী দোজ অনি কাপ্পনা সিমতোমিক দিজিজকী মায়োক্তা চাদ ৫০ গী চাং ইফেক্টিব ওই হায়না ইন্দিয়াগী ইন্দিজেনিয়স কোবিদ–১৯ ভেক্সিনগী মরমদা লেনসেট ইনফেক্সিয়স দিজিজ জর্নেলদা ফোংখি।

ইকুই কুইদনা চত্থখিবা ইন্টরিম ষ্টদি অমদা বি বি ভি ১৫২ হায়না খঙনরিবা কোভাক্সিন অসি সেফটিগী ওইনা অকাইবা থোক্কদবা লৈতে অমদি সিমতোমেটিক দিজিজকী মায়োক্তা চাদ ৭৭.৮ ইফেক্টিব ওই হায়না পনখি।

অঙনবা মতমদা চাদ ২২গী চাং য়ৌখি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৫ ঃ

ত্রিপুরাদা পাংথোকপা সিভিক বোদি ১৪ গী মীখলগী অহানবা পুং ৪ গী মনুংদা ভোটর লাখ ৫.৯৪ গী চাদ ২২ না ভোৎ থাদনখি হায়রি।

মদু ওপোজিন্না রুলিংদা পোলিটিকেলগী ওইবা হিংশা চথৈ হায়না মরাল শিরকপা মরক্তনি। ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন সেক্রেটরি পলব ভত্তচায্যায়না হায়খিবদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ ফাওবদা ভোটরশিংগী চাদ ২২গী চাংনা শরুক য়াখি। মতম অদু ফাওবদি হিংশা নত্রগা ঈ ভি এম য়াদবগী রিপোর্ট অমত্তা লৈখিদে হায়খি। অদুমকপু ওপোজিসন ত্রিনামুল কংগ্রেস অমদি সি পি আই এমনা মখোয়গী ৱার্কর অমসুং সপ্পোর্টরশিংবু এটেক্ট তৌদুনা ভোৎ থাদবা থিংখি হায়রি। মমাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ত্রিপুরাদা অথুবা মতমদা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী অহেনবা কম্পেনি অনি থাজিন্নবা খঙহনখি। মদু ওপোজিসন্না রুলিং বি জে পিদা মরাল কয়া শিরকপদগীনি। হায়রিবা মীখল অদুগী ভোৎ থাদনবা হৌখিবসি অয়ুক পুং ৭ তগীনি।

থাজিল্লকখিবা কম্পেনি ২ অদু বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স অমসুং ত্রিপুরা ষ্টেট্ রাইফলসকী পার্সোনেল ৫০০ রোমনি। টি এম সিগী ষ্টেট কনভেনর সুবল ভৌমিকনা হায়খিবদা ঙরাং নুমিদাংদগী হৌনা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মীরেপশিংগী ময়ুমশিংদা বি জে পিগী ৱার্করশিংনা এটেক্ট চত্থরকখি। মখোয়গী সপ্পোর্টরশিংবু ভোৎ থাদবা থিংখি হায়রি। অদুমকপু থোকখ্রিবা নত্রগা চত্থরিবা থৌদোকশিং অদু খঙল উরবসু পুলিসনা তুমিন্না লেপ্তুনা অদুমক য়েংখি হায়না মরাল শিরক্লি।

অমরোমদা ওপোজিসন্না মরাল শিরিবদি মমাইদা মাইখুম উপ্পা হেলমেট উপ্পা গেংশিংনা য়ুম য়ুমদা চংদুনা ভোটরশিংবু ময়ুমদগী মপান থোক্তনবা কিহন খঙহনবগী থবক চত্থখি হায়রি।

মেম্বর ওইনা খল্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ

ইম্ফাল ইষ্টকী জিলা পরিষদ মেম্বর সেরাম নেকেনবু থোংজু এসেমব্লি কন্সট্রিটুয়েন্সিগী প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটি মেম্বর ওইনা খল্লে। চহি অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা মহাক্না ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসতা য়াওদুনা হৌজিক হৌজিক থোংজু কন্সটিটুয়েন্সিদা জেনরেল ইলেক্সন ২০২২ গী কেম্পেইন তৌরি। মহাক চহি ১০ রোম মনিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিদা এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর ওইরম্মী।

গ্রমালোগ পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ

সাহিত্য একাদেমী ন্যু দিল্লি অমসুং নিঙোল খুৎ মনিপুর ৱাংজিংনা খোরিরোল হন্দোক লুপ ৱাংজিং অমসুং মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মশা (ব্রাঞ্চ) ৱাংজিংগী মতেংগা লোয়ননা ‘গ্রমালোগ’ কী থৌরম অমা পাংথোকখ্রে।

থৌরম অদু খাঙবোক খুল্লাকপম লৈকাইদা লৈবা লালা মাঙোবতা পাংথোকখিবনি। থৌরমদুদা সাহিত্য একাদেমী ন্যু দিল্লিগী লোলগী এদাইভাইজরিগী বোর্দকী কনভেনর ওইরিবা নোংমাইথেম কিরনকুমার, খাঙবোক জিলা পরিষদকী মেম্বর খুন্দ্রাকপম রাজমোহোন, নিঙোল খুৎ মনিপুরগী প্রসিদেন্ট খুন্দোংবম গুনমনিনা ময়াই তাংবদা ফমখি।

গ্রমালোগকী থৌরম অদুদা নিংথৌজম শখি, য়ুম্নাম চিংলেম্বী, লাইশ্রম মনিশং, নিংথৌজম মালেমঙানবা, সলাম পুস্পা অমসুং সলাম সন্ধ্যারানিনা শৈরেং পাথোকখি।

বি জে পিগী নত্তে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ

মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, সি পি আইনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ১২ শুবা মনিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখল পাংথোক্কদবা থা ৩ ফাওবা ফাদ্রবা মতম অসিদা লৈঙাক পায়রি হায়বগী মিংদা বি জে পিনা থবক তৌরে। মীয়ামগী ওইনা লৈরিবা উখোং ৱাখোং, লম্বী থোং, টেলিফোন, ইলেক্ট্রিক পোল অমদি রোদ মেদিয়ান্দা মখোয়্গী ফিরাল ঙাক্তা থেৎচিন য়ানশিন্দুনা মশক থিহল্লে হায়রি।

পি এম, এদুকেসন মিনিষ্টরদা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ

ফেদরেসন ওফ গভর্নমেন্ট কলেজ টিচার্স এসোসিয়েসন মনিপুর (ফেগোক্তা) গী মেদিয়া এন্দ পব্লিসিটি কম্মিটিগী কনভেনরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ৭শুবা য়ু জি সি পেগী মতাংদা লুপ অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং য়ুনিয়ন এদুকেসন মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা থাখ্রে হায়রি।

মনিপুরদা ৭ শুবা য়ু জি সি পেগী নেসনেল পোলিসি চৎনহন্নবগীদমক ফেগোক্তানা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং য়ুনিয়ন এদুকেসন মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল থাখ্রে। এসোসিয়েসন অসিনা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা পাউতাক পীহন্দুনা নেসনেল পোলিসি অমা ওইরিবা ৭শুবা য়ু জি সি পে চৎনহন্নবা ৱাফম পনখি। অমদি মদুনা মনিপুরদা লৈরিবা কলেজ এদুকেসন্দা অহোংবা পুরক্কনি হায়বা ৱাফম খঙহনখি।

মরিশুবা কেবিনেট এপ্রুবেল ২০১৯ দা ফংখ্রবা অমদি ২০২১ গী জুলাই থাদা ৭ শুবা য়ু জি সি পে এন্দ রেগুলেসন ২০১৮ গী ওর্দর থোকখ্রবসু মনিপুরদা ৭ শুবা য়ু জি সি পে হৌজিক ফাওবা চৎনদ্রি। মসি ৭ শুবা য়ু জি সি পেগী নেসনেল পোলিসি মনিপুরদা চৎনহনবা ঙমদবনি। গভর্নমেন্ট কলেজ ওজাশিংবু দিক্রিমিনেট অমসুং দিমোরেলাইজ তৌবগা মান্নরে। ষ্টেট গভর্নমেন্টশিং হায়বদি অরুনাচল প্রদেশ অমসুং অসামদা এজিটেসন অমত্তা চৎনদনা ৭ শুবা য়ু জি সি পে চৎনবা হৌখ্রবনি। মনিপুর গভর্নমেন্টকী অতৈ ইমপ্লোয়িশিংগী ওইনসু কুম ২০১৯ দা ৭ শুবা পে চৎনখ্রবনি হায়রি।

[illegible]

চিফ মিনিষ্টরগী ৱাফম হন্দোকউ

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ

ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী সেন্ত্রেল এগজিক্যুটিব কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা লৈঙাক্না পুলিস, সি আই দি থাদোক্তুনা সেদ্যুল ত্রাইবকী ইহৌবু শৌগৎপা মেম্বরশিংগী লনাইগী ওইবা দাটা খোমগৎতুনা ইহৌ নমথনবা হোৎনবসি তৌগনু, দেমোক্রেসিগী চৎনবিদা য়াওদে হায়রি।

মনিপুরগী চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা ‘মোই মৈতৈ…’ হায়না শিজিন্নরিবা ৱাহৈসি লাইবক থিবনি। হায়বদি থৌওইদবনি মরম অসিনা চিফ মিনিষ্টরনা মসিগুম্বা ৱাহৈসি ৱিদ্রো তৌদুনা হন্দোকউ হায়রি।

মীয়ামদা অমুক হন্না হায়রিবদি চত্থরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি ঐখোয়গী অমদি ইচা ইশুগীদমক য়েংলগা চত্থবনি। ঙসি নিনি হুমনি অৱাবা খিত্তা খাংমিন্নদ্রবা চহি ৫ / ৬কী মনুংদা মীতৈসি মীগী মখা থারগনি হায়বসি কাউবিগনু। ৱারবসু ৱানা গারী, কম্মর্সিয়েল ভেহিকল, লল্লোন ইতিক্কী থবক, ইশাগী শিনফমশিং অমুক্তা লেপ্পিয়ু। ময়াম্না ৱাই হায়বসি চানা খঙই অদুবু মীতৈসি লৈক্রক্তা চংখিগদবা অসিদগী কন্নবা খোংজং পুন্না শৌগৎমিন্নসি। মপুং ফাহনবিয়ু হায়রি।

[illegible]